# এন আই এগী ওফিসল তাঞ্জিল অহমদ হাৎখিবদা মপুং ওইনা চেন্নবা মীওই ফারে

লক্ষনৌ, জুন ২৮ (এজেন্সী) :
নেসনল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি (এন আই এ) গী ওফিসল তাঞ্জিল অহমদ হাৎখিবদা মপুং ওইনা চেন্নবনি হায়বা মীওই অমা উত্তর প্রদেশ পুলিসকী স্পেসল টাস্ক ফোর্সনা নোইদাদগী ফারে।

হৌখিবা এপ্রিল থাদা মশাগী চহী ৪৫ শুরবা অহমদপু মোটোর সাইকল তোংদুনা লাকপা মীওই অমনা নোংমৈ রাউন্দ ২৪ কাপশিন্দুনা হাৎলম্বনি। থৌদোক অদুদা মহাক্কী লোয়নবী ফরজনা খাতুন শিখি। অহমদনা লুহোংবগী থৌরম অমা য়াওরুরগা বিজনোর দিষ্ট্রিক্টকী সাহাসপুর খুঙ্গংদা লৈবা ময়ুম তম্না হল্লকপগী লম্বীদা মোটোর সাইকল তোংদুনা লাকপা মীওই অমনা মতুংদা ইন্নরক্লগা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবনি।

মমাংদা পুলিসনা মীহাৎ অসিগা মরী লৈননা রিজৱান, তমজিম, রেহান অমদি জাইনুল কৌবা মীওইমরি ফাবা লৈখ্রবনি। পুলিসনা অহমদগী মশেন্নুপা রেহান ফাখিবগা লোয়ননা মীহাৎ অসিগী মতাংদা অরোনবা পুন্নমক খঙবা ঙম্লে হায়না ফোঙদোকখি। ইমুং মনুংগী ওইবা নুংঙাইনদবা ৱাফম অমদা য়ুন্ফম ওইরগা এন আই এগী ওফিসল অদু হাৎখিবনি হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, হৌখিবা এপ্রিল ৭ তা উত্তর প্রদেশ পুলিসনা এন আই এগী ওফিসল তঞ্জিল অহমদ হাৎপদা চেন্নবনি হায়বা মীওই অনী ফাবা লৈখ্রবনি। এন আই এগী ওফিসল অমনা হায়খি, য়ুপি পুলিসকা পাউ ফাওনদুনা মীহাৎ অসিগী মতাংদা লংলা লংজিন পুথোক্লবা হোৎনরি।

হোম মিনিষ্ট্রিগী সেনিয়র ওফিসল অমনা হায়খি, মদুদি তাঞ্জিল অহমদ হাৎখিবদা টেররিষ্টশিংগী খুৎ য়াওখিবগী খুদম ফংদ্রি। ২৬/১১ হায়না খঙনবা মুম্বাইদা টেররিষ্টশিংনা এটেক্ট চথুরকখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা থিজিন্নবা শেমখিবা কাউন্তর টেরর ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি অমা ওইরিবা এন আই এগী ইন্সপেক্তর অমা হৌখিবা এপ্রিল ৩ দা শকখঙদবা মীওই অমনা বিজনোরদা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবনি।

বোর্দর সেক্যুরিটি ফোর্স (বি এস এফ) তগী দেপ্যুটেসনদা এন আই এগী ইন্সপেক্তর ওইনা ট্রান্সফর তৌরকখিবা তাঞ্জিল অহমদনা পথানকোটতা টেররিষ্টশিংনা চথুরকখিবা এটেক্ট অদুগী মতাংদা থিজিন্দুনা লাকখিবনি।


কুমজা ১৯৯১ দা অহমদনা বি এস এফতা সব ইন্সপেক্তর ওইনা থবক চংদুনা নোংচুপ অমদি নোংপোকথংবা ঙমখৈগী মফম কয়াদা পোষ্টিং তারুরে।

উত্তর প্রদেশকী এদিস্নেল দিরেক্তর জেনরল (লো এন্দ ওর্দর) ধলজিৎ সিংহ চৌধুরীনা হায়খি, মদুদি অহানবদা তাঞ্জিল অহমদপু টেররিষ্টশিংনা হাৎপনি হায়না চিংনরল্লবসু হৌজিক্তি ইমুং মনুংগী ওইবা নুংঙাইনদবা ৱাফম অমদগী হাৎপা ওইরমগনি হায়বা খঙলে।

এন আই এগী দিরেক্তর জেনরল এস কে সিংহনা হায়খি, উত্তর প্রদেশতা শকখঙদবশিংনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবা এন আই এগী ইন্সপেক্তর তাঞ্জিল অহমদ অসি মথৌ মশক খঙবা ওফিসর অমনি। মমাংদা মহাক্না টেররিষ্টশিংগা মরী লৈনবা কেস কয়া মায় পাক্না সোল্ভ তৌবা ঙমখি।

এন আই এদা মহাক্না থবক তৌমিন্নবা ওফিসরশিংনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না তোঙান তোঙানবা কেস কয়াগী লংলা লংজিন পুথোক্লবা হোৎনবদা তাঞ্জিল অহমদনা মফম কয়াদা কোয়না চৎপদা অকিবা ফাওখিদে। এন আই এগী হেদ ক্বার্টর্সদা শুপ্নগী ইন্সপেক্তর ২০ লোমদং লৈবা মরম্না কেস অয়াম্বা তাঞ্জিল অহমদনা পায়খি হায়রি। তোঙান তোঙানবা ইনভেষ্টিগেসন কয়া চথুখিবগা লোয়ননা অরোনবা পাউ লৌথোক লৌশিন তৌবগী মতাংদসু মহাক্না শিংথানিংঙাই ওইবা থবক তৌরম্মী হায়না এন আই এগী ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি।

হৌজিক্তি তাঞ্জিল অহমদ হাৎখিবদা মপুং ওইনা চেন্নবা মীওই ফাবা ঙম্লবনিনা মীহাৎ অসিগী চপ চাবা লংলা লংজিন পুথোকপা ঙম্লগনি হায়না এন আই এগী মকোক থোংবা ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।



# সিঙ্গাপোরদা ফাখিবা গেঙষ্টর কুমার পিলাই মুম্বাইদা পুরকখ্রে

মুমবাই, জুন ২৮ (এজেন্সী) :
হৌখিবা ফেব্রুয়ারি থাদা সিঙ্গাপোরদগী ফাখিবা গেঙষ্টর কুমার পিলাই মুম্বাইদা পুরকখ্রে।

মথৌ তাবা থবক থৌরম পুন্নমক লৌখৎপা লোয়রবা মতুংদা পুলিস টিম অমনা মহাকপু সিঙ্গাপোরদগী এরোপ্লেনদা পুরকখিবনি।

মমাংদা ইন্টরপোলনা মীওই অসিগী মথক্তা রেদ কোর্নর নোটিস (আর সি এন) ইশ্যু তৌবা লৈখ্রবনি। পুলিস ওফিসর অমনা হায়খি, মদুদি তোঙান তোঙানবা কেস কয়াদা চেন্নবা মীওই অসি সিঙ্গপোরদা লৈরে হায়বা চপ চানা খঙলবা মতুংদা অরোনবা থৌরাং অমা লৌখৎতুনা মহাকপু ফাখিবনি।

মী হাৎপা, মী হাৎনবা হোৎনবা অমসুং মীঙোন্দগী নমদুনা শেল লৌবা য়াওনা মহাক্কী মথক্তা তোঙান তোঙানবা কেস কয়ামরুম লৈরিবনি। কুমজা ১৯৯০ গী পরিংদা মুম্বাই থাদোক্তুনা চেনখিদ্রিঙৈদা পিলাইবু অমুক ফাবা লৈরুরে। তুংদা মহাক বেলদা থাদোকখিবনি।

খুৎলায় পায়বা মীওই খুৎপু অমা লিংখৎতুনা ইনাকখুনবা মীওই কয়াদগী নমদুনা শেল লৌবগা লোয়ননা শেল পীয়ু য়াদবা মীওইশিং হাৎপগীদমক মরাল লৈরে হায়রিবা পিলাইনা লিবরেসন ট্রাইগর্স ওফ টামিল ইলাম (এল টি টি ঈ) গা অরোনবা মরী থম্লে হায়না ক্রাইম ব্রাঞ্চকী ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি।



অমরোমদা, এক্সটর্নেল এফ্যেরস মিনিষ্টর সুস্মা স্বরাজনা হায়খ্রে, মদুদি আই পি এলগী চ্যেরমেন ওইরম্বা ললিট মোদি অমদি ইন্দষ্ট্রিয়েলিষ্ট বিজয় মালিয়াবু অথুবা মতমদা খুৎশিন্নহল্লক্লবা থৌরাং লৌখৎলি।

বৃটেন্দা লৈরিবা মীওই অনীমক ইন্দিয়াদা পুরক্লবগী মতাংদা মথৌ তাবা থৌরাং পুন্নমক লৌখৎপা হোৎনরি। লুপা ক্রোর ৯০০০ হেন্না তোঙান তোঙানবা বেঙ্কতগী লোন লৌরগা শিঙ্গৎলত্তবগী মরালদা ফানবা হোৎনরিবা মালিয়ানা চহী অসিগী হৌগৎলকপদা ইন্দিয়াদগী বৃটেন্দা চেনখিবনি। মুম্বাইগী কোর্ট অমনা মহাক্কী মথক্তা বেল লৌবা য়াদবা এরেষ্ট ৱারেন্ট অমা ইশ্যু তৌখি।

অমরোমদা ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্তোরেট (ঈ দি) না আই পি এলগী চ্যেরমেন ওইরম্বা ললিট মোদি অমদি অতৈ মীওই খরগী মথক্তা এনিট মনি লোন্দরিং এক্টকা মরী লৈননা ইনভেষ্টিগেসন চথুদুনা লাকখি।

এক্সটর্নেল এফ্যেরস মিনিষ্টর সুস্মা স্বরাজনা মমাংদা হায়খি, মদুদি বি জে পীনা লুচিংবা এন দি এ গভর্নমেন্টনা মপান লৈবাক্তা লোত্তুনা লৈরিবা ক্রিমিনেল পুন্নমক ইন্দিয়াদা পুরক্লবগী মতাংদা অখন্নবা থৌরাং কয়া লৌখৎলি।

মমাং চহীগী ওগষ্ট থাদা ইন্টরপোলনা ললিট মোদিগী মথক্তা রেদ কোর্নর নোটিস ইশ্যু তৌহন্নবগী মতাংদা ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্তোরেট (ঈ দি) না তকশিনখি অদুবু অয়াবা পীরকখিদে। ঈ দিগী মায়কৈদগী মনি লোন্দরিংগা মরী লৈনবা খুদম চাংদম পীরক্তবা মরম্না ইন্টরপোলনা ললিট মোদিগী মথক্তা রেদ কোর্নর নোটিস ইশ্যু তৌখিদবনি। হিরম অসিগী মতাংদা ইন্দিয়াগী বৃটেন্দা হায় কম্মিস্নর ওইরিবা নবতেজ সরনানা অখন্নবা থৌরাং লৌখৎলি।

# মোদিনা ব্লেক মনিগী মতাংদা ৱাশক ঙাকপা ঙমদ্রে:সিব সেনা



মুমবাই, জুন ২৮ (এজেন্সী) :
প্রাইম নরেন্দ্র মোদিনা মপান লৈবাক্তা থৈদোক্তুনা থল্লিবা ব্লেক মনি পুন্নমক ইন্দিয়াদা পুরক্কনি হায়না মীখল মমাঙদা শকখিবা ৱাশক অদু ঙাকপা ঙমদ্রে হায়না সিব সেনানা মরাল শীখ্রে।

সিব সেনাগী চেফোঙ *সামনা* গী এদিটোরিয়েল অমনা হায়খি, মীখল মমাংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মপান লৈবাক্তগী ব্লেক মনি পুন্নমক ইন্দিয়াদা পুরক্কনি হায়না ৱাশকখি। হন্দক্তা রেদিওদা শন্দোকখিবা *মন কি বাত* প্রোগ্রামদসু মোদিনা শেল থৈদোক্তুনা থল্লিবা মীওইশিং মশানা খঙনা শেনফমশিং অদু ইন্দিয়াদা পুরক্লবা খঙহনখি।

হিরম অসিগী মতাংদা সেনানা হায়খি, মপান লৈবাক্তা য়াল্লবা শেনফম অমা থৈদোক্তুনা লৈরে হায়বা প্রাইম মিনিষ্টরগী ৱাফম সিদগী ময়েক শেংনা খঙবা ঙম্লে। পুন্নমক অসি খঙলবসু হৌজিক ফাওবা মোদিনা মতিক চাবা থবক অমত্তা লৌখৎপা ঙমদ্রে। কুমজা ২০১৪ দা পাঙথোকখিবা লোক সভা মমাংদা প্রাইম মিনিষ্টরনা শকখিবা ৱাশকশিংগী মতাংদা সিব সেনানা হায়খি, লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক্কী বেঙ্ক একাউন্দতা লুপা লাখ ১৫ লৈহনগনি হায়না মোদিনা ৱাশকখি অদুবু ৱাশক অদু হৌজিক ফাওবা থবক্তা ওন্থোকপা ঙমদ্রে।

এন দি এনা গভর্নমেন্ট পায়রকপা চহী অনী মপুং ফারবসু মীখল মমাংদা শকখিবা ৱাশক অমত্তা থবক্তা ওন্থোকপা ঙমদ্রে হায়না *সামনা* গী এদিটোরিয়েলনা ফোঙদোকখি।

বি জে পীনা *মন কি বাত* কৌবা রেদিও প্রোগ্রাম অমা শন্দোকপগী মতাংদা সেনানা হায়খি, প্রাইম মিনিষ্টরনা প্রোগ্রাম অসিগী খুথাংদা ওইরোইদবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্তুনা মীয়াম্বু অপঙবা শীনবা হোৎনরি। মীয়ামগী অপাম্বদি লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক্কী বেঙ্ক একাউন্টতা লুপা লাখ ১৫ লৈহনগনি হায়বা ৱাশক অদু থবক্তা ওন্থোকপদুনি।

মপান লৈবাক্তা থৈদোক্তুনা থল্লিবা ব্লেক মনিগী মতাংদা সিব সেনানা হায়খি, গভর্নমেন্টনা মপান লৈবাক্তগী ব্লেক মনি পুরক্ক্রিঙৈদা লৈবাক অসিদা লোৎতুনা থল্লিবা ব্লেক মনি হান্না পুথোকপা মথৌ তাই। মীখল মতমদা অচৌ অচৌবা বিজিনেসমেন কয়ানা বি জে পীগী মীরেপশিংদা শৌগৎখিবা মরম্না গভর্নমেন্ট অসিনা ব্লেক মনি পুথোক্লবা থৱাই য়াওনা হোৎনদবনি।

অমরোমদা, মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর ফাইনান্স জয়ন্ত সিনহানা হায়খ্রে মদুদি ইন্দিয়ানা অখন্নবা থৌরাং কয়া লৌখৎলিবা মরম্না অথুবা মতমদা মপান লৈবাক্তগী ব্লেক মনি পুন্নমক লৈবাক অসিদা পুরকপা ঙম্লগনি। ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমগী নাকোয়ননা পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা মহাক্না হায়খি, মপান লৈবাক্কী তোঙান তোঙানবা এজেন্সিশিংগা খুৎশম্নদুনা হিরম অসিগী মতাংদা অখন্নবা থৌরাং কয়া লৌখৎলে।

পাউমীশিংনা হংখিবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা মহাক্না হায়খি, ঐচএসবিসি অমসুং ইন্টরনেসনল কন্সোর্টিয়ম ওফ ইনভেষ্টিগেটিব জর্নেলিষ্ট (আই সিআইজে) গী মতেং লৌরগা মপান লৈবাক্তা থৈদোক্তুনা থল্লিবা ব্লেক মনি পুন্নমক খঙনবা হোৎনরি।

ইন্দিয়া মনুংদা ব্লেক মনি লোৎশিন্দুনা থম্বগী মতাংদা হংখিবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা মহাক্না হায়খি, সেপ্তেম্বর ৩০ ফাওবগী মমাংদা মশানা খঙনা ব্লেক মনি পুন্নমক পুথোক্লবা মীয়ামদা খঙহনবা লৈখ্রে। করিগুম্বা মতম অদু ফাওবগী মনুংদা পুথোরক্তবা তারবদি মরাল লৈবা মীওইশিংগী মথক্তা মতিক চাবা থবক লৌখৎনবা শেম শারে।

# চহী অমগী মনুংদা জম্মু এন্দ কাস্মিরদা সিক্যুরিটি পর্সোনেল ১৫ হাৎখি, ৬০ শোকখি: রিপোর্ট

ন্যু দিল্লি, জুন ২৮ (এজেন্সী) :
হৌখিবা চহী অমগী মনুংদা মিলিটেন্টশিংনা জম্মু এন্দ কাস্মিরদা চথুখিবা তোঙান তোঙানবা এটেক্টশিংদা সেক্যুরিটি পর্সোনেল ১৫ শিখি অমসুং অতোপ্পা ৬০ হেন্না অশোক অপন নংখি হায়না হোম মিনিষ্ট্রিগী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

রিপোর্ট অদুনা হায়খি, বোর্দর সেক্যুরিটি ফোর্স (বি এস এফ) অমসুং সেন্ট্রেল রিজর্ব পুলিস ফোর্স (সি আর পি এফ) কী রোদ ওপনিং পার্টি(আর ও পি) দা মিলিটেন্টশিংনা এটেক্ট চথুরকপদা জৱান ১৫ শিখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা ৬৩ শোকখি।

মমাঙ চয়োলদা মিলিটেন্টশিংনা সি আর পি এফকী কনভোই অমদা এটেক্ট চথুদুনা জৱান নিপান হাৎখিবা থৌদোক অদুগী মতুং তারকপদা মিলিটেন্টশিংনা মখল কয়াগী এটেক্ট কয়া চথুরকপা য়াবগী ফিভম লৈ হায়না হোম মিনিষ্ট্রিগী রিপোর্ট অদুনা ফোঙদোকখি।

রিপোর্ট অদুনা হায়খি, হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা সেক্যুরিটি ফোর্সেসনা খুৎ হন্দুনা নোংমৈ কাপ্পদা পুন্না টেররিষ্ট মরি শিখি। মমাং চহীগী ওগষ্ট থাদা মিলিটেন্টশিংনা উধমপুর দিষ্ট্রিক্টতা বোর্দর সেক্যুরিটি ফোর্সকী বস অমদা এটেক্ট চথুরকপদা জৱান অনী শিখি।

থৌদোক অদুগা ইকান কান্নদনা বিজবেহরাদা মিলিটেন্টশিংনা সি আর পি এফকী কাঙবু অমদা এটেক্ট চথুরকপদা জৱান মঙা অশোক অপন নংখি। চহী অসিগী ফেব্রুয়ারিদা মিলিটেন্টশিংনা পমপোরেদা সি আর পি এফকী কনভোই অমদা এটেক্ট চথুরকপদা জৱান অনী শিখি অমসুং অতোপ্পা নিপান অশোক অপন নংখি।


চপ মান্নবা মওংদা মিলিটেন্টশিংনা জুন ৩ দা অনন্তনাগ দিষ্ট্রিক্টকী বিজবেহরাদা বি এস এফকী কাঙবু অমদা এম্বুস তৌরকপদা জৱান অহুম শিখি অমসুং অতোপ্পা মাপন অশোক অপন নংখি। হৌখিবা জুন ১৩ দনা উধমপুর দিষ্ট্রিক্টকী কারল নল্লাহ এরিয়াদা মথন্তা লাকপা মিলিটেন্ট অমনা সেক্যুরিটি ফোর্সতা এটেক্ট চথুরকপদা মীচম অমা য়াওনা মীওই অহুম শিখি। খুদক্তা সি আর পি এফকী জৱানশিংনা খুৎ হনবদা মিলিটেন্ট অদু শিখি। খ্বায়দগী ইকোন কোনবা ওইনা জুন ২৫ দা মিলিটেন্টশিংনা পম্পোরেদা সি আর পি এফকী বস অমদা এটেক্ট চথুরকপদা জৱান নিপান শিখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা ২২ অশোক অপন নংখি।



চৈরকসিদা সেক্যুরিটি ফোর্সেসনা অখন্নবা থৌরাং অমা লৌখৎনবা ফিরেপ লৌখিবগা লোয়ননা মথৌ তৌরিবা সি আর পি এফকী পর্সোনেল খুদিংমক বুল্লেট প্রুফ ভেহিকলদা তোংহন্নবা থৌরাং তৌখ্রে। থৌরাং অসিগী শরুক অমা ওইনা নক্সলাইটকী ঈহৌ নমথবদা শিজিন্নরম্বা বুল্লেট প্রুফ গাড়ী অমদি বুল্লেট জেকেট পুন্নমক জম্মু এন্দ কস্মিরদা পুশিনবা হৌখ্রে।

সি আর পি এফকী দিরেক্তর জেনরেল কে দুর্গা প্রসাদনা হায়খি, মদুদি জম্মু এন্দ কাস্মিরগী পুলিসকা খুৎশম্নদুনা মফম কয়াদা অখন্নবা থৌরাং লৌখৎতুনা টেররিষ্টশিংনা শীজিন্নবা গাড়ী পুন্নমক মশক খঙদোক্লবা হোৎনরগনি।

# মথং চহীদগী লান্দা টেজাস এয়রক্রাফট শীজিন্নরগনি



ন্যু দিল্লি, জুন ২৮ (এজেন্সী) :
জুলাইথাদা ইন্দিজিনস লাইট কোম্বেট এয়রক্রাফট (এল সি এ) টেজাসকী অহানবা স্কৱাদ্রোন অমা শেম্লবা মতুংদা ইন্দিয়ন এয়র ফোর্স (আই এ এফ) না এয়রক্রাফ অসি লানদা শীজিন্ননবা থৌরাং তৌরগনি হায়রি।

রিপোর্ট অমনা হায়খি, হিন্দুস্থান এরোনোটিক্স লিমিটেদ (ঐচ এ এল) না জুলাই ১ দা টেজাস এয়রক্রাফট অনী আই এ এফতা খুৎশিন্নদুনা অহানবা এল সি এগী স্কাদ্রোন অমা লিংখৎলগনি। অহানবগী চহী অনী স্কাদ্রোন অদু বেঙ্গলোরদা লৈগনি অমসুং মদুগী মতুংদা তামিলনাদুগী সুলুরদা হোংখিগনি হায়রি।

রিপোর্ট অদুনা হায়খি, চৎলিবা শেনবা চহী অসিগী মনুংদা পুন্না এয়রক্রাফট তরুক স্কৱাদ্রোন অদুদা খুৎশিন্নগনি। মথংগী চহীদদি পুন্না এয়রক্রাফট নিপান শুহনগনি। পাকিস্থানগী জে এফ ১৭ ফাইটর প্লেনশিংদগী হেন্না মতিক ময়াই লৈবা টেজাস শীজিন্নরবদি ইন্দিয়ানা য়েক্লবগা লম্বা পাবদা খুদোংচাবা কয়া লৈরগনি হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি। অতোপ্পা পাউগী সোর্স অমনা হায়খি, অথুবা মতমদা আই এ এফনা হৌজিক হৌজিক শীজিন্নরিবা মিগ ২১ গী মহুত্তা টেজাসনা মহুৎ শিনবগা লোয়ননা নোংথক্কী নোংথক্ত অমসুং নোংথক্কী লৈমায়দা এটেক্ট চথবদা শীজিন্নরগনি।

স্কৱাদ্রোন অমদা পুন্না টেজাস এয়রক্রাফট ২০ লৈগনী অমসুং মদুগী মথক্তা অতোপ্পা মরি রিজর্ব ওইনা থমগনি হায়না আই এ এফকী সোর্স অমনা ফোঙদোকখি। থৌরাং অসি লৌখৎনবা হোৎনবদা চাওরাক্না লুপা ক্রোর ২৭৫ দগীনা ক্রোর ৩০০ ফাওবা চংগনি হায়না পানরি। কুমজা ১৯৭০ দা অহানবা ওইনা ইন্দিজিনস ফাইটর এয়রক্রাফট শেমগৎপগী ৱাফম খন্নবা হৌখ্রবসু থবক ওইনা পায়খৎপদি কুমজা ১৯৮০ গী পরিংদনি।


MANIPUR UNIVERSITY
CANCHIPUR: IMPHAL

NOTICE
Dated, the 28th June, 2016

No.MU/1-100/15/Admn.I (Pt.): 222 It is hereby notified for general information that a list of candidates who are eligible for the posts of **Multi Tasking Staff** advertised under **the Advertisement** No. 1/2015, dated the 29th May, 2015 has been displayed on the Notice Boards at the Main Gate and website of the University www.manipuruniv.ac.in. All the candidates who had applied for the posts of **Multi Tasking Staff** may come and see the list.

Further, the candidates are informed to submit their 2 (two) recent passport size photographs on or before the 1st July, 2016 to the Administration Section of the University (Every candidate has to indicate his/her name and serial number of the list displayed on the Notice Boards of the University at the back of the photographs).

The eligible candidates are invited to appear before the Selection Committee for interaction as per the detailed schedule indicated below:-

| Date | Serial Number | | Venue | Time |
|---|---|---|---|---|
| | From | To | | |
| 04.07.2016 | Sl.No. 1 | Sl.No. 363 | A-Block | 9.00 A.M |
| 05.07.2016 | Sl.No. 364 | Sl.No. 725 | A-Block | 9.00 A.M |

(L. Rabindranath Sharma)
Assistant Registrar (Admn.)

HL-B/3158/29&30

COMET SCHOOL
A Co-Educational Higher Secondary School
Changangei Uchekon near Tulihal Airport, B.P.O. Tulihal - 795140, Imphal West, Manipur

**Situation Vacant**
21/06/2016

No. **CSA/2016/02** : Applications are invited from the interested candidates for the following post.

| Sl. | Name of Post | No. of Post | Min. Qual. | Salary |
|---|---|---|---|---|
| 1 | CHEMISTRY LECTURER | 1 | M.Sc. (Chem) | Rs. 12,000/- |

- Prescribed application form and detailed information may be obtained from the office of the undersigned during office hours i.e., 10:00 a.m. to 02:00 p.m.
- Last date of issue & submission of application forms : **1st July, 2016** till 12:00 noon
- Date, time and place of interview : **2nd July, 2016** at 10:00 a.m. in the school premises.
- Please bring all the original documents for verification.

Sd/-
Principal, COMET SCHOOL

HL-P/3159/29,30 &1 July

টৗগৌঘাদৌ/ লায়েংজরি **UMA AYURVEDIC CLINIC (DR.(VAID) R N GUPTA)**

উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং

(অঙৌবা পকপা)
হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্না ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্না লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

(তাং-তাং চিকপা)
তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)
দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হস্তরক্কনি। ফম্বী চাং হস্তক্কনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

(নুংশং)
নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)
পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হান্না নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তানবিয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

(নুপাগী প্রোব্লেম)
ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

(নুপীগী প্রোব্লেম)
নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)
না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হস্তরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

(শমগী প্রোব্লেম)
শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

**HOW TO GIVE UP WINE**
If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegitables or tea without telling him.

**HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL**
If you want to control diabeties, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

DR.(VAID) R N GUPTA (396),
Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream
Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking,

HL-B/3123/3/06-2/07